CS (MAIN) Exam:2016



# MANIPURI ( PAPER—I )

## ( LITERATURE )

| Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250 |
|---|---|

**QUESTION PAPER SPECIFIC INSTRUCTIONS**

**Please read each of the following instructions carefully before attempting questions**

There are EIGHT questions divided in two Sections.

Candidate has to attempt FIVE questions in all.

Question Nos. **1** and **5** are compulsory and out of the remaining, THREE are to be attempted choosing at least ONE question from each Section.

The number of marks carried by a question/part is indicated against it.

Answers must be written in MANIPURI (Bengali script).

Word limit in questions, wherever specified, should be adhered to.

Attempts of questions shall be counted in sequential order. Unless struck off, attempt of a question shall be counted even if attempted partly. Any page or portion of the page left blank in the Question-cum-Answer Booklet must be clearly struck off.

---

MANIPURI ( PAPER—I )

( LITERATURE )

| Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250 |
|---|---|

**ৱাহংশিংগীদমক অখন্নবা ৱারোল**

**পাউখুম ইদ্রিঙৈদা মখাদা পীরিবা ৱারোলশিং অসি চেকশিন্না পাগদবনি**

কাঙলূপ অনীমক (Section A and B) পূল্লগা ৱাহং নিপাল য়াওরি।

কেন্দিদেতশিংনা ৱাহংশিং অসিদগী ৱাহং মঙাগী পাউখুম পীগদবনি।

ৱাহং নম্বর **1** অমসুং **5** তি তঙাইফদনা খুমগদবনি। লেমহৌরিবা ৱাহং অহুম্না কাঙলূপ অনীমক্তগী অমমমদগী তাদনা খল্লগা পাউখুম পীগদবনি।

য়েৎথংবা লাপান্দা ইরিবা মশীংশিং অসি ৱাহংগী মার্কনি।

মণিপুরীদা (বাংলা ময়েক্তা) পাউখুম ইগদবনি।

পাউখুমগী অকক্লবা ৱাহৈ মশীং পীরম্লবদি মদু ইনগদবনি।

ইরম্লিবা পাউখুমশিং অদু মথং-মনাও নাইনা লৌগনি। শরুক খরদমক ইরম্লবসু মদু ককথৎলমদ্রবদি পাউখুম ওইনা লৌগনি। ৱাহংগা কোন্নবা পাউখুম চেদুদা (Question-cum-Answer Booklet) হাংহৌরিবা লামায়শিং অদু ময়েকশেংনা ককথৎলমগদবনি।

## SECTION—A

**1.** মখাগী ৱাহংশিং পূম্নমক খুমগদবনি, অমমমদা ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুম্মু : 10×5=50

(a) মৈতৈ ময়েক চাওখৎলকপগী তাঙ্ককশিং শুগায়না ইয়ু। 10

(b) দিপথোং কদায়বু কৌই? দিপথোংশিং খুদম পীদুনা ইয়ু। 3+7=10

(c) মণিপুরী লোন্দা ফ্রেজ মখল কয়া লৈবগে? খুদমগা লোয়ননা মখলশিংদু মশক তাকউ। 10

(d) মণিপুরীদা লৈবা তোনগীমশক তাক্তুনা খুদমগা কোন্ননা ইয়ু। 10

(e) রুৎ, ফ্রিরুৎ অমসুং বাউন্দরুৎকী খেন্নবদু খুদমগা লোয়ননা ইয়ু। 10

**2.** ৱাহং খুদিংমক খুমগদবনি :

(a) ভারতকী অৱাং নোংপোক্তা ঙাংনরিবা তিবতো-বর্মন লোলশিংগী মনুংদা মণিপুরী লোল অসি করম্বা থাক্তা লৈবগে হায়বদু মরীক চুম্না নৈনৌ। 15

(b) ৱার্দ ওর্দর কদায়বু কৌই? মণিপুরী ৱার্দ ওর্দরগী মরমদা খুদম পীদুনা ইয়ু। 5+10=15

(c) নম্বর অমসুং পার্সন হায়বসি করিনো? মণিপুরী লোন্দা লৈবা নম্বর অমসুং পার্সনগী মরমদা খুদমগা লোয়ননা মরীক চুম্না ইয়ু। 6+14=20

**3.** ৱাহং খুদিংমক খুমগদবনি :

(a) তেন্সকা অসপেক্টা করিদা খেন্নবগে? মণিপুরী লোন্দা ময়েকশেংনা উবা ফংলিবসি করম্বনো হায়বদু শুগায়না ইয়ু। 10+10=20

(b) ৱার্দ ক্লাস করিনো? মণিপুরীদা লৈবা নাউন শেন্বগী মখলশিং অদু খুদমগা লোয়ননা ইয়ু। 5+10=15

(c) ইতিহাসকী তাঙ্ককশিংদা মণিপুরী লোন চাওখৎলকপগী শক্লোনশিং অদু খুদমগা লোয়ননা ইয়ু। 15

**4.** ৱাহং খুদিংমক খুমগদবনি :

(a) সফিক্স হায়বসি করিনো? সফিক্সনা মণিপুরী গ্রামারদা লৌরিবা মরুওইবা থৌদাংশিং অদু শীংথাদুনা মরীক চুম্না ইয়ু। 5+10=15

(b) কেস করিনো তাকউ। মণিপুরীদা লৈবা কেস মার্করশিং খুদমগা লোয়ননা মচাতানা নৈনৌ। 5+15=20

(c) কমপ্লেক্স সেন্তেন্স হায়বসি করিবু খঙনবগে? মণিপুরীদা ফংবা কমপ্লেক্স সেন্তেন্সকী মশকশিং খুদমগা কোন্ননা তাকউ। 5+10=15

## SECTION—B

**5.** মখাগী ৰাহং খুদিংমক খুমগদবনি, পাউখুম খুদিংমক ৰাহৈ *150* দগী হেল্লোইদবনি : 10×5=50

*(a)* 'পোইৰেতোন খুম্বোক' হায়বসি করম্বা মখলগী সাহিত্যগী মচলনো? লাইহিক অসি নৈনদুনা ইয়ু। 10

*(b)* জগোই রাস হায়বসি লাই হরাওবদগী মিতম লৌদুনা শেমগৎলগা অনৌবা লাইনীংনা থৱায় হাপ্পা মৈতৈগী কলাকারশিংগী অথোইবা খুদোলনি হায়বসি নৈনৌ। 10

*(c)* মণিপুরী সাহিত্যগী ময়ায় চনবা মতমদা হোংলক্লিবা মরুওইবা শক্লোনশিং অদু করি করিনো হায়বদু শন্দোক্লা নৈনৌ। 10

*(d)* পাউরৌনা সমাজদা পীরিবা কান্নবদু শন্দোক্লা নৈনৌ। 10

*(e)* খোঙ কাংজেগা শগোল কাংজেগা করিদা খেন্নবগে? নৈনদুনা তাকউ। 10

**6.** ৰাহং খুদিংমক খুমগদবনি :

*(a)* ফোক বেলেদ হায়বসি করিবু খঙনবগে? মসিনা সমাজদা লৌরিবা থৌদাং করিনো হায়বদু খুদমগা লোয়ননা শুগায়না ইয়ু। 6+14=20

*(b)* অরিবা মণিপুরী সাহিত্যদা ইৰাকমাশিংনা অকন-অথৌগী পুন্সিগী মশক যাম্না ৰাংনা শৈথারম্মী হায়বসি 'চায়নরোল'দা কদায় ফাওবা উবা ফংবগে নৈনৌ। 15

*(c)* মীথকা লেজেন্দগা করিদা খেন্নবগে? খুদম পীদুনা শুগায়না ইয়ু। 15

**7.** ৰাহং খুদিংমক খুমগদবনি :

*(a)* লাই হরাওবগী নুংগী ৰাহম্বোক করিনো? লাই হরাওবদা অরিবা মতমগী মণিপুরী সংস্কৃতিগী অপূনবা মশক উবা ফংই হায়বসি মরীক চুম্না নৈনৌ। 8+12=20

*(b)* অনীশুবা লাঞ্জাও মতুংগী মণিপুরী শৈরেংগী খোঙচত্তা এলাংবম নীলকান্ত অমসুং লাইশ্রম সমরেন্দ্রনা শৈরেংগী করম্বা অনৌবা মায়ওন হৌদোক্লম্বগে? শুগায়না ইয়ু। 15

*(c)* ফোকতেল হায়রগা করিবু খঙনবগে? মসিগী মখল কয়া লৈবগে? মখল অমগী মরমদা শুগায়না ইয়ু। 3+5+7=15

**8.** ৰাহং খুদিংমক খুমগদবনি :

*(a)* করম্বা যুম্ফমদগী মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাসকী তাঙ্ককশিং খায়রিবনো? মরমশিং অদু মচাতানা নৈনৌ। 15

*(b)* মণিপুরী জগোই রাস করম্বা মতমদগী হৌদোকখিবগে? মসিগী নুংগী ওইবা ৰাখল্লোন (ফিলোসোফি) অদু রাস মখল অমদা পান্দুনা ইয়ু। 5+15=20

*(c)* অনৌবা মণিপুরী সাহিত্য করম্বা যুম্ফমদগী হৌগৎলকখিবগে হায়বদু মতম অদুগী সমাজ, সংস্কৃতি অমসুং মহৈ-মশিং তম্বগী যুম্ফম নৈনদুনা ইয়ু। 15

★★★